ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওক্টোবর ১৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২০৪শুবা মশীং

# য়াদে হায়বা তৌরিবা করিগীনো

## মসিবু অফবা লৈঙাক্লোনগী খুদমলা

মণিপুরগী ওইরো, অতোপ্পা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগীবু ওইরো নৎত্রগনা লৈবাক অপূনবগীবু ওইরো লৈবাক লৈঙাকপা, মীয়ামগী ৱায়েল চুপ্লি পায়বসিবু লৈবাকসিদা চৎনরিবা লো, রুল অমসুং এক্ট কয়াবু ঙাক্তুনা চৎকদবা নৎত্রা? হায়রিবা কাঙলোনশিং অসিসু লৈবাকসিগী মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লৈবাকসিগীদমক অমসুং মসিগী মীয়ামগীদমক শেমজদুনা, শেমদোক-শাদোকচদুনা চৎনহল্লিবনি। অদুবু চৎন-কাঙলোন (লো) শিং অসিবু খূৎনা পায়দুনা শীজিন্ননীংবা মায়কৈদা পুদুনা শীজিন্নরকপা অমসুং থুগাইরক্লগদি থৌওংসি চত্থরক্লিবা অঙম্বশিংসি লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোগী মথক্তা লৈরব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লোইদ্রা? ৱাহংসি থোরকপা, ৱাহংসিগী পাউখুম ঙম্না-ঙম্নবা খুম্নরকপদুনা নাকল অমদা থমখ্রগা মসিবু তৌরকফম থোকপা থবক্লা হায়বগী ৱানি। থৌদৌসিদি অফবা লৈঙাক্লোইশিংগী অচুম্বা মচৎ ওইরোই। ত্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিটিগা হায়বা ৱাফমদু পুমচাই চাইবগী থৌওংনি হায়নীংই।

অসিগুম্বা থৌদৌশিংগী মনুংদা হন্দক্তগুসু জপানগী টোকিওদা পাঙথোকখিবা সম্মর ওলিম্পিক গেমসতা লৈবাকসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদগী ৱেঠ লিফটিংদা সাইখোম মিরাবাই চনুনা সিলভর মেদল ফংলকখিবা, নুপাগী হোকিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকপগী হরাওবা ঈনিল লোইদ্রিবগী মথক্তা স্পোর্টসকী পৱার হাওসনি হায়রিবা মণিপুরগী য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস (য়াস) দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরগী মরু ওইখ্রবা থৌগাইশিংবু ইন-চার্জ ওইনা ফাওবা পুহনফম থোক্তবনি হায়বা এম সী এস গ্রেদ টু ওফিসর অমদা পুহল্লম্মে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সিভিল রিট পিটিসন ফাওবা ফাইল তৌদুনা চেলেঞ্জ তৌরকপা, ৱারু-নুংজু থোক্লরকপগী থৌদোকসি থোরকহনফম থোকপ্রা হায়বনি।

লোয়শঙসিগী দিরেক্টরগী ইন-চার্জ ওইনা পুহল্লন্লিবা ওফিসরসি শান্ন-খোৎনববু পামজবা, য়োকখৎনীংবা অমসুং শান্নরোয়শিংবু নুংশিজবা মীশক অমদি ওইরম্বা য়াই। শিন্নবা থবকশিং মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্বা ওফিসরসু ওইরম্বা য়াই। অদুবু মঙোন্দা ফমসিবু ইন-চার্জ ওইনা ফাওবা পুহনবা য়াদে। পোষ্ট অসিদি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ পর্সনেল, পব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেনসন্স (দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ ত্রেনিং) না সেপ্টেম্বর ১, ২০১৬তা থোকখিবা গেজেট নোটিফিকেসন নম্বর, জি এস আর ৮৪১ (ঈ) গী মতুংইন্না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা কেদর পোষ্ট/সিনিয়র পোষ্টনি হায়দুনা খঙহল্লকপা লৈরিবনি হায়বা ৱাফমসু হায় কোর্টতা ৱাকৎলকপদা পল্লি। কেস অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎতুনা খন্নখ্রে। কেস অসিগী অপূনবা রেসপোন্দেন্ট মরিদা কোর্টনা ওক্টোবর ২৫, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে। অপূনবা রেসপোন্দেন্ট মরিগী মনুংদা য়াওরিবা চীফ সেক্রেটরি, কম্মিস্নর (দি পি) অমসুং কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (য়াস) তা মখোয়গী ওইবা কাউন্টর এফিদেভিটশিং হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা পীখৎলক্লবা খঙহনখ্রে। মসিনা লো কোর্টকী ৱানি। লৈবাকসিদা লৈরিবা চৎনরিবা লো, রুল অমসুং এক্টশিংগী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না ৱায়েল চত্থসনু। পীফম থোকপা অমসুং পীবা য়াবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর পীরকপসু ওইসনু। অদুবু রুলনা, এক্টনা তৌগদবনি অমসুং চৎকদবনি হায়বা থবকশিংদি তৌদনা, চৎফম থোকপা অচুম্বা লম্বীদদি চৎতনা লমফৈ চৎলন্লিবা থৌওং অসিবু করিগীনো হায়বগী ৱানি। কোন্থোংচৈ শৎলুরবা মতুংদতা তূম্বা য়াই হায়বগী ফীভমদা লাক্লব্রা হায়বগী নুংনাংবা পোক্লরক্কনি। লৈবাকসিদা চৎনরিবা মীয়ামগীনি হায়বা ফজখ্রবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি ঙাক্লা চৎপনা অচুম্বা ওইগনি হায়নীংই। লৈবাক্কী অঙম-অথৌশিংনসু মরক মহাগী য়াইতোং-খমদোংবা খরনা মরন্নাই তৌনীং-তৌনীংবদা তৌবা য়াদে হায়বসিসু লৈঙাকসিনা মতম চানা খঙহনবীফম থোকই। লৈবাকসিগী লো লৈ। কনাগুম্বশিংনা অপাম-অপাম্বা তৌবা য়ারোই হায়বসি ময়েক শেংনা খঙহল্লু।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮**

১) ***“জাতি কৌবী শকহেনবী/লৈরাংলক্তগী অথোইবী/পাম্মুবৈ চেংলৌ উবরা/নুজা ঐঙোন্দা তম্মুবা”*** হায়বা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানরিবা অরিবা ঈশৈ অসিগী শৈরেংবা কনানো অমসুং করি দ্রামাদা শকখিবা ঈশৈনো?

২) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা ইরম্বশিংদগী খনগৎলগা মণিপুরীদা হন্দোক্লগা পুথোরকপা **“রবীন্দ্র লৈচল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অফোঙবগী মমিং হায়য়ু।

৩) ***“ইফেল টৱার মখোঙদা কংলৈ থোকপা”*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***“লম অসিদা লৈবা মরু মরু ওইবা চীংশিং অসিগী মরমদা তোপ্পা তোপ্পা ইরম্বা লাইরিক কয়া থেংনজে।”*** অসিগুম্বা লাইরিকশিং অসিদগী খরমখৈ পুনশিল্লগা পুথোরকপা লাইরিক অদু করি লাইরিকনো?

৫) ***“লৈপাক্কী মূর্তি”*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কোভিদ থর্দ ৱেভ লায়থোক্লরকপা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৭৬**

**জিতেন নামৈরাকপম**

হৌখিবা কুমজা ২০২০গী মার্চ তারিখ ২৩গী নুমিদাংদগী ইন্দিয়া শিনবা থুংনা লোকদাউন তৌরে হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা নুমিৎ অদু পুৱারী ওইনা অসুম লৈহৌরগনি। শুংথা থাজদবা পুন্সি অসিদসু অমুক্তা থেংনখিদবা থৌদোক্লি। চাইনাগী ৱুহান্দগী হৌরকখিবা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎনা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্তুনা মীশি মীনা অসুক্কী মতিক য়াম্না থোরক্কনি হায়বা শুকথাবু থাজরুদে। চাইনাদগী য়ু কে, লাপখ্রবা অমেরিকা লানশিন্দুনা শকউদবা মহীক্তুনা নৈখায়রকখি। খঙ হৈবদা, মতিক মগুন লৈবদা মালেম পূম্বনা শিংথানরিবা, সুপর পৱার পায়দুনা মীয়াম্না থক-থক নীক্লরিবা অমেরিকা কোভিদ মহীক্লা লান্দারকপদা তোরা তুনা হাৎলমখি। হোলিৱুদ ফিল্মশিংদা অনৌ অনৌবা খূৎলায় কয়াগী শক্তি উৎতুনা মীয়াম্বু পেলহনখিবা, অফাও অফাওবা সুপরষ্টার কয়াগী মীৎ থক্কৎহনবা, অকি তুজুংবা ফাওহনখিবা লৈরবসু মহীক্তুবুদি খুদক্তা লাকশিনবা ঙমখিদে। হৌজিকপুদি ফীভম য়াম্না ফগৎলে হায়না তাবা ফংই।

অমেরিকাগী ৱাসু নত্তে। চীংলোন মাপননা কোয়শিনবা, টোরনেদো, হরিকেনগুম্বা অকনবা নুংশিৎ চঙলকপা ঙমদবা কা হেন্না শাথীবা নেচরেল দিজাষ্টর অমা ফাওবা থোকহনবা ঙমদ্রিবা মণিপুরদসু কোভিদ-১৯ চংলক্কনি হায়বসি কয়া থাজনরুদবনি। সোসল মীদিয়াদা, পাউচেদা করিদা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা অনাবা অশিবশিংগী শক্তম, মশীং উৎলবসু ঐখোয় কয়া থৌশানরুদে। অদুবু কুইদনা থা ৩/৪গী মতুংদা কোভিদ-১৯ মণিপুরদা চঙলকখি। য়ু কেদগী লাকপা ইম্ফাল এয়রপোর্ট ফাওবা পাইরকপা এরোপ্লেন তোংদুনা লাকপা নুপীমচা অমা পোজিটিভ ওইরে কনফার্ম তৌরকপদগী মীয়াম মীপাইনবা হৌরকখি। লোকদাউন মরক্তা লৈরক খুল্লক ফাওবা শম্বল খাজিন্দুনা মীতোপ অমত্তা চঙহন্দবা, লৈকায়দগী মপান্দসু থোক্তবগী চেকশিন থৌরাং ফাওবা লৌনরকখি। পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপা মতমদা মাবু মীয়াম্না ইন্থোকপীবা, কি তুক্কৎচনা লৌবীবগী থৌওং ফাওবা চত্থনবা উবা ফংখি। লৈকায় অমদা ইমুং মনুং হুপ্পা পোজিটিভ ওইরকপা মতমদা মতেং পাংবীবা সোসল ৱার্কর কাঙবুবুদি লাকই হায়ববু হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংবীবা, চিবোন-চিবোন, মুরুম-মুরুম শোন্নবা অদুম্মক তৌনখি। ওন্থোকপগী মতৌ হায়বদুনি লায়না অসি নঙ ঐঙোন্দা নারক্লোই হায়বা লৈতে। মরাইবক থীবদগী মহীক্তুনা থেংনরুবগী ৱানি। এস ও পি ঙাক্তুনা চেকশিন্না ময়ূমদগী হেন্দোক্তনা লৈবা মী ফাওবদা পোজিটিভ ওইবা অদুম্মক য়াওই। মতম অমদসু ঙাঙনখি - মহীক অসিদি নুংশিৎতসু য়াওদুনা অদুমক শন্দোকহল্লি। অদুবু হৌজিক্তি মণিপুরগী ফীভম হান্নগীগা য়েংনরুবা মতমদা শাথীনা ফগৎলে হায়বা য়াই। মরমদি পোজিটিভ ওইবগী চাং ফাইভ পার্সেন্টকী মখাদা হন্থখিবা নুমিৎ ৪/৫নি য়াওখ্রে। নুংনাংলিবদি মী শিবগী চাংদি য়ান্ন-য়ান্নদুনা ৩/৪/৫ অদুমক লেপ্তুনা য়াওরি।

শোমদনা অমুক কমদৌরি! পোজিটিভ ওইবগী চাং হন্থরকপদগী দুকান, কৈথেল হাংনরকপা, মী তিনখৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা কোভিদ কিবা কাউথোক্লবা মীশিং য়াম্লক্লে। কোভিদ ফ্রী ওইরে, মহীক ককনাওদু ঐঙোন্দা চঙবা ঙম্বপোৎ নত্তে কা হায়বা মীসু য়াওরি। অখঙ অহৈশিংনা ঙাঙনবা ৱা থওইদনা, ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পীরকপা ইন্সত্রক্সন থওইদবা, মানা মানা ঙাঙনীংবা ৱা পংঙাঙদা ঙাঙবা থেংনৈ। লোক খজিক থুংলবা ডাক্টরগা য়েংলু লাক্লনু ইবো, ফার্মাসিদা চৎলু, হংলগা গুলি চাশিল্লু। ডাক্টর হেক য়ৌরুরবা শোয়দ্রে কোভিদ পোজিটিভ ওইরে ক্বারন্টিন সেন্টরদা নফি য়োম্লগা চৎলু হায়রক্কনি। ভোট ময়াসিদা কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাং হন্থরক্লে লাউথোরক্কনি। ভোট নম্ফুদা তৌনবা হোৎনরক্কনি। অদুগা ভোট লোইখ্রগা অমুক অনাবা মশীং য়াম্লে হায়না লাউথোরকপসু য়ারি। অসিগুম্বা মখলগী তোকঙা অসি লৈরক খুল্লক, খোংনাং মখোঙ, উকু মথক, মীয়াম পূনফমশিংদা তোয়না ঙাঙনবা থেংনৈ। তশেংবদি মদু অরানবা ৱাফমনি। নাদবা মী নারে হায়জিনবা য়াবা নত্তে। মশা মউ ফবা, হকচাং শেংবা কাঙবুদদি মহীক অসিনা কা হেন্না শোকহনবা ঙমদেসু হায়নবা লৈ। পোজিটিভ ওইবগী চাং হন্থরক্লে, ঐখোয় মীপাইনিংঙাই ওইদ্রে হায়রগসু চেকশিন্দবদি য়াদ্রি।

কোভিদ লায়নানা ঐখোয়দা পীবা চৈথেং খরা খরা অসুম হন্থরকপদগী মীয়াম পূম্নমক্কী পুন্সি মরেলদা নোর্মেলসিদা তপ্পা তপ্পা হঞ্জিন্নরকপদি উরে। দুকান, কৈথেল হাংনরকপা, ওফিস হাংদোরকপা অমদি মাগী মাগী শিনফমদা হঞ্জিন্নরকপা অসিনা ঐখোয় পূম্নমক খম থেংনা ৱারম্বদগী খরদি শাফরক্লে হায়না লৌবা য়াই। অদুবু ঐখোয় তশেংনা অৱা-অনা, লৈত-লায়র মপূং ফানা কোক্লে হায়বদি লানগনি। মরমদি লোকদাউনগী মতমদা মপান থোক্লখিদবা, মানা মানা পায়নরম্বা শিনফম চপ লেপ্তুনা থা কয়া খাঙনখিবগী শাফু হৌজিকসু চৈনাখোল লৈনরি। শেঞ্জাও পায়বা, মশাগী সোর্স ওফ ইনকম ফজনা লৈবা, লৈঙাক্কী থবক তৌদুনা থাগী তোলোপ কায়দনা ফংবা নত্তবা নোংমগী হাতে-হাতে তাল্লগা চাজবা কাঙবুদি করি অমুক হায়রুগনি কোভিদকী মতমদা পুমলোই লোইশিনখ্রে, করিমত্তা লৈহৌদ্রে হায়বদুনি। মশাগী লৈজবা খরা তুংশিন্দুনা থমজবদু লোইশিনবগী মথক্তা মীঙোন্দগী পুশিল্লুবা য়াও, শিংগদবা শেন্দোন শেলেপ, হাপ্তা হুনবী, নুংতিগী, থাগী শেলহুনবী য়াওরুবশিংদি হৌজিক ফীভম অমত্তা তানদ্রে। অমরোমদসু অমুক কোভিদ খরা ফগৎলক্লে হায়দুনা মাগী মাগী শিনফমদা মায় ওনশিন্নখ্রবসু আর্টিষ্টশিংগী ওইনদি লুমখ্রবা কোভিদকী নম্বো থাদ্রি। হৌজিক শুমাং লীলা শান্নবা য়াদ্রি, ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম পাঙথোকপা য়াদ্রি। মতাং অসিদা করিনুংগী আর্টিষ্ট ওইজরুবনো হায়বদো লাক্লি। মখোয়গী শেন্থোক লম্বী হৌজিকসু থিংজিনবীরি। দুকান, কৈথেল, ওফিস, করি-করা এস ও পি ঙাক্লা হাংহল্লবনিনা ঈশৈ, দ্রামা, লীলাগী অথিংবশিং কোমথোকপীবা য়াদ্রিবা হায়বসিনি। দুকানগী, কৈথেলগী, ভোট মীটিনগী চবুন চবুনগীদি থিংদ্রগা আর্টিষ্টশিং থিংজিনবীরিবসিবু আর্টিষ্টশিংগী থৌরম খক্তনা কোভিদ শন্দোকহনবনি হায়গদৌরিব্রা? মায়কৈ অসোমদা মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

অদুগা অমুক ভোট খোম্বগী, মীটিংগী চবুন-চবুন, গ্রুপ গ্রুপ পুল্লিবশিংনা কিনীংঙাইদি ওইদবা জাৎলা। নহান বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট লাক্লম্বা, মীটিং তৌখিবা নুমিৎতুদা তিনখিবা মীয়ামদু খল্লুবদা অকিবা ফাওই। এস ও পি ঙাকপসু অমত্তা উদে। অমরোমদনা ভোটকী চাক তৌগুমসি, শেল য়েনবগী থবক তৌগুমসিদি হায়নরগা নুমিদাংদা পুনশিন পুনশিন্দুনা চাকচা হৈজানবা মীয়াম্না লোইনা খঙনরিবদুনি। মদুবু কনানা থিংবা ঙম্বগে। কোভিদ ময়েং খরা তারকপসিদা থর্দ ৱেভ লাক্কনি হায়বগী অকিবসু অমত্তা লৈনদ্রে। অদুগা ভেক্সিন কাপ্পগী চাংসু থেঙ্গু লমজেলদা চেল্লি। চাদা ৩০ রোমদগী হেনদ্রি। ঐখোয় ফর্ষ্ট ৱেভ মতুংদা সেকেন্দ ৱেভ থওইরুদবদগী মীশি মীনাগী চাং খঙহেন হেঙ্গৎলকখিবা অদু নীংশিংবনা চুমগনি। লৈঙাক্লা মীয়ামদা ষ্ট্রিক্ট রুল খরা লাউথোকপীরক্তুনা ইম্পোজ তৌনবা হোৎনবনা তুংগী খুদোংথীবদগী কনবা ঙমগনি। ঐখোয় কোভিদ থর্দ ৱেভ লায়থোক্লুমসি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৪০

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

তাইবঙপানবগী লাইরিক হায়দুনা লৈরিবা লাইরিক পূম্নমক্তগী ঋগ বেদনা অহানবনি, অসিগুম্বা বেদ অসিদগী মীতৈগী ‘নুমিৎ কাপ্পা’ পুয়া অসিনা অমুক মাঙ থারপনা লৈরে। ৱাফম অসি মালেমগী পন্দিটশিংনা চপ মান্ননা য়ানদ্রবসু অয়াম্বনদি য়ানরে। নুমিৎ কাপ্পা লাইরিক্লা হৌরকঙৈগী ৱারী (মীথোলোজি) ওইনা লেংথোক্তুনা থনম্বগী ৱাফমনি।

(ক) ঋগ বেদগী, মমাঙ ওইরপনা ‘নুমিৎ কাপ্পা’।

(খ) বৌদ্ধ মতমগী লাইরিক্লা ‘পান্থোইবী খোঙ্গুল’।

(iv) চহী কুমশিং কয়াগী মমাঙদগী ইরমদমসিদা নিংথৌ কনানা পাল্লম্বগে। মতমদুদা লাই কনাবু নীংনরম্বগে, চহী কয়াম মশা পুন্সিরম্বগে অদুগা নিংথৌসিগী মতমদুগী লৈঙাক্লোন কমদৌবগে খঙলবদি অঙনবা মতমদা মীরম লাইনা লমদমসিদা লিৎশল্লকপগী মরম লৈতে হায়বসি মখাগীসিদগী ইরায় লায়না খঙবা ঙমগনি।

লাইগা মীগা তাইনবা কুমশিং লখা তরানিপাল শুবদা হয়িচক্কী মতমদা কাঙবা নিংথৌনা, চেংলৈ চনু লললৈমনা লৈমা তারিৎনু মিং হুন্না, নিংথৌ কাঙখলগা লোয়ননা কাংঙামুংদাদা চহী কুমশিং ৪৬০ পাল্লল্লগা পাখংবা ঈরেন্দা লুপখিএ। নিংথৌনা লৈবাক মীয়াম্বু পূক্লিং চুম্না য়াথং লেপ্পবগীদমক লাইনিংথৌ সনামহীবু নূঙগী লাইশক মওং শেম্না শাহল্লগা চীংদোলদা লাইয়িম শাদুনা লাৎখিএ। নিংথৌসিগী হাক্তক্তা লৈবাক্কী অচুম অরান য়েংনবগীদমক লাইনিংথৌ সনামহীগী মমাঙ শংশংবদা ফিরাল য়ুংহল্লগা খূৎথিল চাংদম য়েংবদা - ফিরাল হেক য়ুংবগা খমকোল মালং অয়াঙবনা কন্না শিৎলকপদা তুবা ফিরালনা অরানবনে, চুমদবনে খঙনরমএ। অদুগীদমক লমলেনদুবু ৱারোই চীংও কৌনৈএ।

নিংথৌনা চৎলম্বা লীচৎতি অরানববু চুমথোকপীরগা লৈবাকপু য়াইফনা য়োক্লম্বনি। লৈবাক মমিং থোংদি তিললিকোকতোং লয়কোয়লেল হান্না শেম্বা কোন্না লোইবা পুং -ও তৌনা কৌএ।

নিংথৌ কাংবগী হাক্তক্তা তিনথুং - লাইথুং লৈরমদে। কুমশিং চাহৈ শুরগা তাইবঙ অশিবশিং পোৎলোই হিথা তৌনরমদে। মদুগী মরমদি নিংথৌগী মনাই, উচেক পূম্নমক্কী নিংথৌ ওইবা মমিংনা কাকলেন মীঙম্বা সুং, থিংপাই ঙম্বা অমদি থিকনুংখাক-ও কৌব, মী অশিবা মশাবু পুবা ঙম্বা উচেকসিনা পুখ্রগা হৈপোক লমদা চেনবা তুরেল থিকনুং খোং ও কৌবদা থাথৈ। মদুবু অশিবা মশা লাইরমলেন্দা তিল্লে হায়না খঙনৈ এ। অশিবা মীবু থিকনুং খোংদা পুইএ হায়বগী থিকনুং খাকও তৌনা কৌএ। লাইয়িংথৌ কাঙবগী মচা মাপল পোক্লমএ।

(নিংথৌ কাঙবলোন - খৃষ্টগী মমাঙগী নিংথৌশিং : অইবা নোংথোনবমচা অঙৌ লুৱাং)।

য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা ঐখোয়গী য়েলহৌ লমদমসি মান্নবা/তোঙানবা মমিং কয়া চক মরিদা কৌরম্মী হায়না মথক্তা থমজখ্রে। অদুবু ১৮শুবা চহী চা হৌরকপদা মীরমচা অমনা মাগী মমাঙদসু মখোয়গুম্বা মীরমচা খরা চঙলকখ্রবা মতুংদা খঙ হৈ হায়নবা তুং ইনবা খরা লোয়নরগা মতমদু ফাওবদি খৃ: ৩৩দগী কংলৈপাক কৌনরকপদা ইহান হান্না ময়ূম ৬কী পিবারেল ওইখিবা মৈতিংঙু নোংদা লাইরেল পাখংবগী চাদা নাওদা ওইবদা ৫০শুবা মৈতিংঙু পামহৈবা (খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮) গী মতমদা ময়াংমচা শান্তিদাস গোষাইনা নমথাক চিরোল তৌরগা ‘মণিপুর’ হায়না কৌনরকখিবনি হায়বসি চাম্মদা চাম্মা চুল্লবা ৱাফমনি হায়না অমুক্কা হন্না থমজরি। চুল্লবা ৱাফম অমদা করিগী হঞ্জিন হঞ্জিন হায়রিবনো হায়বগী অচম্বা মরমদি হৌজিক ফাওবদা লমদমসিগী ফুরুপ চা ওইনা য়েক-শাগৈ নায়না পোক্লবা খরনা মখোয় মশাশিংবু অদুগুম্বা য়েক শাগৈগী মচা-মশুনি হায়না - “মশাগী অশেংবা য়েলহৌ মশক তাক্লিংদবা” লৈবাকশিংসিনা মীরমগী লাইনীং লীচৎ, লাইনীং লাইশোন চৎপ্রা হায়বসু খঙদবা, চৎত্রা হায়বসু চৎলমগদবা মানবা, মশাদা লাই থাজদবগী মওংনিদি হায়রগা মালেমদা লৈরিবা লাইনীং কয়াগী মনুংদগী পামজনীংনা থাজবদু পন্দুনা তত্তনা হায়জবদা মনাৎকী - মপা মপুগী য়ূম্নাক-য়েক-সলাই মশক খঙদবগী মওংদা তোয়না ঙাঙবা কয়া খুন্নাইসিদা লৈরি খনবদগীনি। অসিগুম্বা মীওইশিংসিনি ‘লমগী ষণনা মচি শাংবোই নীংবা, মশানা মশাবু কাউথোকচরগা হুলানজবা, লাইরিক হৈরম্বদি য়াই (মীরমগীসু পাবা হৈরিবনিনা) লাইশুদি খঙদবা” হায়না তোয়না শৈথানরিবসি। মখোয়গী মরমদা য়াম্না শাংনা ইবা তল্লি। লাই থাজদে হায়না মশানা হায়জনীংলবদি “লাই হায়দনা কনাগুম্বা খরনা ফবা-ফত্তবা তৌজরিবা থবক/থৌরমদু য়াওরুনু, মীনা তৌরিবদুদা নথৌ লৈতনা হঞ্চক ঙাচক শারুনু, হীরম খুদিংদা নৎত্রবসু অয়াম্বদা লাই থাজদবা নঙনা তৌবনা লাই থাজবা অমনা তৌদগী য়াম্না হেন্না ফৈ হায়বদু থবক্লা উৎলু। লাই থাজদবনিনা মী অফবা থাজৌ। ইরমদমগীনা ‘ইরাবত’, ইন্দিয়াগীনা ‘মহাত্মা গান্ধী’ মখোয় মীওইপোক্লি অদুবু মখোয়না তৌখিবা থবকশিংদি মী মরূ, মী মচং, মী অথোইবা লাইগা পান্দম্নবদা শীজিন্নবা ৱাহায়শিংনা ফোঙদোকপা থবকশিং খুদম উৎতুনা তৌখিবা মক্তনি। মীনা ওইবা লাই হায়বা তারবদি মখোয়শিংসিনি। মালেমগী লৈবাক কয়াদা লৈরিবা অদুগুম্বশিংসু মীনা ওইবা লাইশিং ওইনা লৌবদা করিসু কায়নীংঙাই লৈতে। লাই থাজদবা মখোয়দা লাইনা লাই ওইবগী ৱারোলশিং হায়রুবদি চান্নররোই। খুদম, ‘নুংশিনৌ হে! তাইবঙপানবদা লৈমিন্নরিবশিং হায়বসি লাই খুদিংমক্কী পাউতাকনি।” ‘য়াশিন্নৌ নখোয় নশেলগী মরক্তা হায়বসিনা ৱায়েলবা হৈবা, অশিংবা মীওইবা খুদিংমক্কী পাউজেলনি’ অনীসিদনি, শম্না লাইগা মীগা খেন্নরিবসি। লাইশিংনা নুংশিনৌ হায়রগা মীশিংনা নুংশিনবা ঙমদবগী মরম করিগীনো? মী মশেলগী মরক্তা য়াশিন্নবা ঙমদবগীনি। করিগী ঙমদ্রিবা? অমনা/অতোপ্পা অমনা নুংশিনরোইদবা থবক/থৌওং তৌরুবদগী অতোপ্পা অমদুনা য়ানীংদবদগী নুংশিনৌ হায়বসি ঙমদবদগী নুংশিনবা ঙমদ্রিবনি। খুদম খরা :-

(i) লাই থাজবশিং খরনা তৌরিবশিংদু লাই থাজদে হায়বা অমনা তূমিন্না লৈতদনা হঞ্চক ঙাচক/অওৎ-অপা শাদুনা ঙাঙলুবদু য়ানীংদবদগী নুংশিনবা ঙমদ্রিবনি হায়বসি লাই থাজদবা মী মশাদুনা খঙবা ঙমজদবদুনি। ঙাঙলুদ্রবদি নুংশিনদবা লৈরম্লোই।

(ii) মালেমগী ওইবদা - য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনী খৎনবগী মরমদি অমনা অমগী মীরমদা চঙশিল্লগা মাগী লমনি হায়জিল্লুবদগী/মপাঙ্গল কল্লি হায়দুনা লম করাম্বদগী য়ূমথংনবগী লম/ইশ্বোল হান্না খোপচিল্লুবদু লম মাঙজরিবদুনা য়ানীংদবদগীনি। অতোপ্পগী লম/ইশ্বোল হেন্না লৌশিনগে/হেঞ্জিন্না লম হেনজিল্লুবদু অচুম্বা থৌওং নত্তবনা - লৌশিনগে খন্দ্রবা, হেঞ্জিন্না লৌশিল্লুবা লমদুনা হন্দোক্লগে হায়বদা অতোপ্পদুনা য়াশিন্নরোইসি কৈদৌঙৈদা হায়রক্লোই। অনীমক য়ান্নরবনিনা নুংশিনরনি, হেন্নদুম নুংশিনরকপসু য়াই।

(iii) মরু ওইনা লমচৎ-শাজৎকা মরী লৈনবা মরম খুদিংমক মশা মশাগী য়ূমদগী হৌগদবনি হায়নরিবসি অচুম্বনি। অদুবু করিগুম্বা মতমদদি য়ূমদুদা লৈরিবা মী মশাদুগী চুম্না খনবা ঙম্বা ৱাখলগী মখা অমুকসু পোল্লি। খুদম, মালেমগী খুন্নাইশিংদা হৌজিক্কী মতমদা অয়াম্বা ইমুংশিংদা লৈমিন্নরিবশিং নুংশি চান্নবা ৱাৎপসিগী মরু ওইবা মরম কয়ামরুম লৈরম্বা য়াই। মদুনা মরম ওইদুনা মখোয় মশেল য়াশিন্নবা ঙমদে। য়াশিন্নবা ঙমদবগী হৌরকফম অমনা/খরনা অতোপ্পনা - অহল ওইগেরা, নহা ওইগেরা - য়ানীংলোইদবা থবক তৌরুবদগীনি। অনীমক চুম্বদি য়াদবনিনা অরানবা অমদি শোয়দনা য়াওরমগনি নৎত্রগা, মীতোপকী থৌইনশিন লৌরুবদগী ৱাখল খন্থহৌদনা মীতোপ্পা হায়বদা হেক্তমক থাজবা থল্লগা তুংদা করি ফত্তবা থোরকপা য়াবশিংদু কূপ্পা খন্থদনা থবক তৌবা হৌরকপদগী অয়াম্বনা ওইগল্লি নৎত্রগা মশাগী ওইজবা খরা থিবদগী/পান্বদগী ইমুংদা নুংশিনদবা/খৎন চৈনবা য়াওদবা /থোক্তবা নত্তে। ●

পাউচে অসিদা ফোংঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।